ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯖꯨꯟ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯷꯱ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জুন ০৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৭১শুবা মশীং

## রি এনগেজ

### ৱাহৈসিমক হুমুক খানরে

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা লোয়শঙ ময়াম লৈ। লোয়শঙশিংসিগী এমপ্লোয়ীসু য়াম্না লৈ। অদুগা লৈরিবা এমপ্লোয়ীশিং অদুগী মরক্তসু রিগ্যুলর/পর্মিনেন্ট/এদ-হোক/কন্ত্রেক্ট/ষ্টোপ গেপ এরেঞ্জমেন্ট হায়বশিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা কেটাগোরি খরা খায়দোক্তুনা লৌদুনা থবক তৌহল্লি। মসি হায় হায়দুনা হৌজিক দিপার্টমেন্ট অমদা লৈফম থোকপা টোটেল ষ্ট্রেঙথকী এমপ্লোয়ী মশীং শুনা লৈবা লোয়শঙ ইয়াও য়াওদ্রি। ফীভমসি লোয়শঙ অমা-অনীগী ৱাফম নত্তে। দিপার্টমেন্ট অয়াম্বগীনি। মসিগী মরম্না মথৌ তৌরম্বা এমপ্লোয়ীশিংগী মরক্তগী সুপরএন্ন্যুএসনদা রিটাইয়র্দ তৌবা য়াওনখিবা, ভোলুন্টরি রিটাইয়র্দমেন্ট তৌবসু য়াওবা, মশা লৈখিদবসু য়াওবা অদুগা অমরোমদনা অহাঙবা পোষ্টশিং মেনশিন্নবা অনৌবা মীওইশিং হাপচিন্দবদগীনি। মরম অসিনা হৌজিক মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা লোয়শঙ পূম্নমক্তা পোষ্টেট ষ্ট্রেঙথ য়ৌনা এমপ্লোয়ী মশীং শুনা লৈরবা লোয়শঙ খূৎ থেক্তুনা পাবদা খূৎশা ৫ কোন্নগদবা মান্দে। অদুবু ষ্টাফ ষ্ট্রেঙথ ৱাৎলে হায়দুনা সুপরএন্ন্যুএসনদা থবক্তুগী পোত্থারবা তোঙান-তোঙানবা রেঙ্ক এন্দ ফাইলদা লৈবা এমপ্লোয়ীশিংবু এনগেজ তৌদুনা 'রি-এনগেজ' ওইনা শীজিন্নবদি অচুম্বা খোঙথাং ওইগদ্রা? অসিগুম্বা রি-এনগেজগী থবকসি বি জে পিনা লুচিংবা মমাঙগী লৈঙাক্তগীনা হৌজিক লৈরিবা অনীশুবা অনৌবা লৈঙাকখক্কী মতমদতা তৌবা নত্তে। চহী ১৫ চূপ্না টর্ম অহুন্নক মীয়ামগী চাওখৎ-থৌরাংশিং তৌদুনা লাক্লগা অপূনবা এম এল এ ৬০গী মনুংদা খাইবোক ৩০ য়ৌনা ফাওবা মীয়াম্না থাগৎলকখিদ্রবা অদুগা হন্দক্লা শুপ্নতগী ৫দগী হেন্না কাবা ঙমদ্রবা কোংগ্রেসকী মতমদসু তৌখি। গভর্ণমেন্ট হায়বসিদি কন্টিন্যুএসননি হায়বদুমক চপ চানা লৈঙাক অমগী মথংদা অমনসু লিশাং-শিংনা চত্থনরক্লিবা থবকনি।

অদুবু মতাংসিদা হংনরক্লিবদি থৌওং অসিবু করিগীনো, কৈদৌবৈনো, করিদগীনো হায়বা ৱাহংশিংসিনি। ৱাহংশিংসিগী পাউখুম হংলিবা মীওইশিংনসু খঙই, মীয়াম্নসু খঙই। শরা শল্লি, মচি-মচিদা চিবোন-চিবোন ঙাঙনৈ। অদুবু মখা তানা হংনরক্লিবা ৱাহংদি সুপরএন্ন্যুএসনদা থবক্তুগী পোত্থারবা পিওনদগীনা হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইরম্বশিংবু রি-এনগেজ তৌদুনা শীজিন্নরিবসি ঙম্মী হায়দুনা তৌবা নৎত্রা হায়বসিনি। মরমদি ঙসি ফাওবদা রি-এনগেজ তৌদুনা সর্ভিস মতম চহী-চহীগী থেঙ্খাং নাইনা শাংদোক-শাংদোক্তুনা শীজিন্নরক্লিবা ময়ামসিগী মনুংদবু মখোয় মশা মশাদু নৎত্রবদি মখোয়গী লোয়শঙশিংদুদা মহুৎ শিনবীনবা মতিক চাবা মীওই অমত্তা লৈত্রবরা হায়বসিনি। মহুৎ শিনবীনবা লৈরক্লগনা অমুক লৌথোক্কদৌরিব্রা নৎত্রগা লৈরক্ত্রিবা ফাওবা মীওইদুনা খাঙেনফম য়ৌরবসু অদুম্মক সর্ভিস পেরিওদ এক্সটেন্সন তৌ-তৌদুনা পুহনগদৌরিব্রা? রি-এনগেজগী থবকসিনা পেন্সন ফংলবা মীওইদুগী মহুত্তা প্রমোসন পিদুনা থবক পুহল্লক্কদবা মখা থাবা এমপ্লোয়ীশিংগী রাইট মৎত্রিবরা? প্রমোসন পীদুনা মেনশিনবা য়াদবা পোষ্ট ওইরগসু মহুৎ হাপচিনগদবা থবক্ত্যা অথিংবা পীদ্রা? মসিনা এমপ্লোয়ী ওইরিবশিংগী মোরাল, নৌনা থবক চঙনীংবশিংগী খুদোংচাবা শাথীনা শোকহন্দ্রিবরা? রি-এনগেজদা থৱায় য়াওমন্দনা লোয়শঙ অমগী দিরেক্টর অমা থবক্তুগী পোত্থারগা হঞ্জিন্না রি-এনগেজ তৌরুবদা হায় কোর্ট য়ৌনবা য়াওখ্রে। লোয়শঙদুগী রুলনা য়াদবদগী কোর্টনা লৌথোকউ হায়রকখ্রে। লৌথোক্তুবদগী কন্টেম্পট পিটিসন মায়োক্নখ্রে। মমৈথংদা য়ারক্তদুনা লৌথোক্লগা দিপার্টমেন্টকী রুল শেমদোকপা নোংঙানবগা অমুক হাপচিল্লগা হৌজিক ফাওবা থবক পুহনবা য়াওরি। অতাক-অফোংনৈ। মহাক নত্তনা মহাক্কী মহুৎ শিনবীনবা মতিক-চাবা মীওই অমত্তা লৈত্রবা মাল্লে। মরম অসিনা রি-এনগেজসি মীয়াম্না হুমুক খানরবনি। খঙশিন-উশিন্নদবা, তাশিন্নদবা শাশিন্ননু, নখোন খঙই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৩

১) **''খুন্নুং ঈশৈ নাচোম''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিন্দুনা ফোঙলকপনো?

২) **''নার্গাজুনগী শৈরেংশিং''** হায়বা লাইরিক অসি করি লোলদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৩) **''ঐ করিসু তৌদে''** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **''মঙলান খরা শক্তম খরা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং লাইরিক অসিগী অইবনা কনানো?

৫) **''শজিগী লৈবাক্তা''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, যূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

### পাম্ফেল হুন্দুনা ফৌ থাবদা চেকশিনৱা খরা

– এস সুমঙ্গল –

হৌজিক্কী মতমদা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা ফৌ থাবা অসি লৌহোন হুন্দুনা ফৌ লিংবগী মহুত্তা পাম্ফেল হুন্দুনা থাবগী হৈনবী অমা লাক্লে হায়বা য়াই। ফৌ থাবগী খ্বাইদগী ফবা মওংদি লৌহোন হুল্লগা লিংবনি হায়নরি অদুবু মতমগী য়াওন মতুংইন্না অশন্বা, খূৎ য়াম্না চঙদবা থিনরকপদা পাম্ফেল হুনবা অসি য়াম্না পাম্না পাঙথোক্লরকপনি হায়না লৌবা য়াই। অমরোমদদি মসি ফৈ অদুবু মসি কাঙলোন চুম্না হোৎনরবদি ফৈ অদু নৎত্রবদি ফবগী মহুত্তা মাঙজবা কয়াসু লৈবা য়াই।

**মাঙজবা :** ১) অরন অকুং চাং মান্নদবনা মরম ওইরগা পাম্বী অমগা অমগা চরোং চুম্বা মান্নদবনা চাথোক হন্থবা - খরা লনবা, ফৌনা মচিঞ্জাক মরাং কায়না ফংবা, কুঙনা হৌবা ফৌনা খরা ৱাৎনা ফংবা মশানা তাবনি।

২) নাপি হৌবগী চাং কা হেন্না ৱাংবা - তশেংবদি অরিঙবা লৌফমদসু অদুমক নাপি হৌই অদুবু ফৌনা খরা চাওরগা হায়বদি লৌহোন্না লিংবা মরম্না খরা হন্থবা মানবনি। ফৌনা ঙমতক চৎলি হায়বগী ৱানি। পাম্ফেলদদি ফৌগা নাপিগা চপ মান্ননা হৌমিন্নরক্তুনা মাঙহনবা হেল্লি।

৩) ফৌদি খরা হেন্না চঙগনবা মরম্না ফৌ পুঙবা, ফৌ মশা ফবা ৱাৎপা, লায়না তীলনা মরু ওইনা ৱাহিক (হোপ্পর) তাগনবা। ফৌনবু কুঙলবদি ৱাহিক তানবা মচাক ওই।

৪) হার চাইবগী মতম শোয়গনবা। লিংবগী হার চাইবগী মতমগা হুনবগী চাইবগী মতমগা খরা খেন্নবা খঙদবনা মতম শোয়বা থোক্কল্লি, হারগী কান্নবা ফংবা ৱাৎলি।

৫) ইশাগী লৌফমদগী অফবা ফৌদি লোকচহৌনবা হোৎনবদা খুদোং চাবা ৱাৎপা। মসি ফৌদি লোক্লবা হোৎনবদা য়াম্না মরু ওইরিবা ফৌমাং খন্দোকপা হায়বসিদা খুদোং চাবা ৱাৎপা মরম্ননি হায়বা তাই।

৬) পাম্ফেল হুনবা লৌফমশিংদা শুকশোয় শোয়দনা ফৌগী অরন অকুং শেম্বা হায়বসি শোয়দনা পাঙথোকনৈ, মসি লৌহোন হুন্দুনা লিংবগা চপ মান্ননা খূৎ চঙবা থবকনি হায়বা তাই।

**চেকশিনৱা :** মথক্তা থমজরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোক্লবা হোৎনরবদি পাম্ফেল হুনবসু অদুমক অফবা মওং ওইহনবা য়াগনি। শেল চঙবা হন্থহনবা য়াগনি।

১) পাম্ফেল হুনবদা ফৌদিগী চাং অসি লৌমী ইচিন ইনাও অয়াম্বনা খরা হেঞ্জিনগল্লি। মসি থোক্তনবা অফবা ফৌদি শীজিন্নসি, অফবা ফৌদি খুদিংমক মতোন চাং মান্ননা থোক্কনি, মশা মউ ফনা হৌরক্কনি। খরা পৌবা, লূম্বা ফৌ মখলনা শঙমদা কিলো ১৪, খরা কূপ্পা ফৌ মখলগীনা কিলো ১২ খক শীজিন্নসি। সীদ ত্রিটমেন্টকী মনুং চন্না অহিং অমা তিংলবা মতুং লৌখৎতুনা মচুম খকহল্লগা চানবা হীদাকশিং খুদম ওইনা কার্বোন্দাইজম ৫০% (মফোল) হায়রিবা হীদাক অসি মরূ কিলো অমদা গ্রাম অমগী চাংদা নৎত্রগা ত্রাইসাক্লেজোল ৭৫% ঈ সী হায়রিবা হীদাক অসি মরূ কিলো অনীদা গ্রাম অমগী চাংদা তোৎহৌবগা লোয়ননা উচেকনা খুনখিদনবা মৈতাল মফোন তোৎশিনহৌসি অদুগা ওমসি। মতোন শাংনা থোকহনবা কান্নদে, মাঙজৈ। শেন্দাং মখ্যাৎ শাবদা হুনসি।

২) হার হাপ্পগী চাং অমদি মতম য়াম্না শোয়গল্লি। লৌ হুনগদবা নোংমা নীনি ৱাৎলিঙৈ অরোইবা খোইবদা য়ুরিয়া কিলো ১৫, সুপর কিলো ৬০গা লোয়ননা পোটাস কিলো ১০ লৌবুক্তা তোঙান তোঙান পুথরগা লৌফমদা নিংথিনা য়ানশিন্নরগা খোইজিনহৌসি। অহুনবা ফৌনা মচা পোকপা হানগনি মরম অদুনা হুল্লবা মতুং নুমিৎ ২০-২৫ শুবদা য়ুরিয়া কিলো ১০ অমুক অদুগা অরোইবা ওইনা য়ুরিয়া কিলো ১০গা পোটাশ কিলো ৫গা মশা তাশিল্লকপা মতমদা চাইসি। মশা তাশিনবা মতম অসি ফৌ ফৌগী ওইনা খেন্নে। খরা ঙনবা (নুমিৎ ১১৫-১২৫) ফৌগী ওইনা হুল্লবা মতুং নুমিৎ ৬০নি শুবদা অদুগা মতম খরা শাংবা ফৌগী (নুমিৎ ১৩০-১৩৫) ওইনা নুমিৎ ৭০ অদুগা খরগা হেন্না শাংব ফৌগী (নুমিৎ ১৪৫-১৫০) ওইনা নুমিৎ ৭৫নি শুবদা চাইসি।

৩) নাপি হীদাক মশক খঙনা কাপ্পীগনি। ফৌনা মতোন থোকখ্রবা, নাপিনা মতোন থোক্ত্রিঙৈ মতম হায়বদি হুল্লবা মতুং হাপ্তা অমগী মনুংদা শাথি (পাইরাজোসলফ্যুরোন ইথাইল ১০%) ঈশিং য়াম্না লিক্লা ইঞ্চি মখায় অমত্তং লুনা থল্লগা শঙম অমদা গ্রাম ৫০-৬০না পম্প ৪-৫ চাং মান্ননা য়াল্লগা কাপহৌসি। মতুংদা হৌরকপা নাপী ওলমিক্স (মেতসলফ্যুরোন মিথাইল ১০% অতোপ্পা খরা) শঙমদা গ্রাম ৫গী চাংদা পম্প ৫দা গ্রাম অমমম য়াল্লগা নাপিনা খরা মনা নিংথিনা পাল্লবা মতুং ফৌনা খরা চাওরবা মতমদা হায়বদি নুমিৎ ২০-২৫নি শুবদা কাপসি।

৪) ওমদুনা শেন্দাং মখ্যাৎ শাবা মতমদা দ্রম সিদর শীজিন্নদুনা ফৌ পরেং নাইনা হুনবনা খ্বাইদগী ফৈ। মরা (মতোন) শাংনা থোকখ্রবদি দ্রমগী অহোবদা মরূ লিৎথবা ৱাগনি। পরেং নাইহৌবনা থবক থৌরম খুদিংমক লায়গনি।

৫) অরন অকুঙ শেম্বা মতমদা ফৌ পাম্বী ফুক্তোক্লগা লিংথোকপগী মহুত্তা ফৌ পাম্বী অনীগী কারক্তা খোঙ থল্লগা ইন্থোক্তুনা শেম্বা ঙল্লবদি খ্বাইদগী ফৈ। য়ারিবমখৈ চাং মান্ননা হুলহৌবনা খ্বাইদগী ফরে।

৬) ফৌ হুনবা মতমদা ফৌরক লম্বী হায়বদি ফুট ৯-১০ খুদিংগী ফুট অমগী লম্বী অমা খাল্লগা হুনবা ঙল্লবদি য়াম্না ফৈ। মসিনা থৌরম খুদিংমক লায়হনগনি। দ্রম সিদর শীজিন্নরবদি অদুমক য়ারে।

মথক্তা থমজরিবশিং অসিগা লোয়ননা তারকপা লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা অখঙ অহৈ তান্নবীদুনা অৱাৎপা নাইত্রোজেন লৈরকপা মতমদা মশা তাশিন্দ্রিঙৈ মতমদা মেনখৎনবা হোৎনরবদি শোয়দনা পাম্ফেল তৌরবসু ফৌ নিংথিনা থোক্কনি। ●

### শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা হামেং য়োকপা

– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –





শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা মালেমগী মফম অয়াম্বদা হামেংসি মশা চানবা, শঙ্গোম পুথোক্লবা অমদি মতু নৎত্রগা মউন্না ফিরোল শাদুনা শীজিন্ননবা য়োক্লরি। মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ানা হামেংগী মশীংসি অনীশুবদা লৈ অমদি কুমজা ২০১২গী মতুংইন্না হামেং মশীংসি ১৩৫.২ মিলিয়ননি। অদুবু লমদমসিদদি য়েন, ঙানু, ওক্তুম্না মরাং কায়না য়োকপগী মশীংদি অদুক্কী মতিক হন্থরি। হামেংসি ময়াম্না লায়রবগী ষণ নৎত্রগা এ টি এম হায়না লৌনরি। মসিগী মরম কয়া অমা লৈরি। মসিগী মরমদি হামেং য়োকপা মতমদা অতৈ শা-ষণ য়োকপগুম্না শেল চঙদে, তোঙান্না মচিঞ্জাক লৈরগা লোয়বগী ৱাফম লৈতে। মখোয়না লৈনবা মকোলসু শেল চঙদনা শাবা য়াই। য়াম্না মরু ওইরিবদি মশা পিকপা মরম্না ইরায় লায়না শেল চিনবা মতমদা য়োন্থোক্লগা অচিনবা কোক্লবগী অচৌবা পাম্বে অমা ওই। হামেংগী মথী-ময়ুংসি নাইত্রোজেন, ফোসফোরস অমদি পোটাসিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওবনা লৌমী ইচিন ইনাওনা শীজিন্নবা মতমদা লৈবাক লৈহাও চাং হেনগৎহনবতা নত্তনা মহৈ মরোং ফনা ফংবা ঙমহল্লি।

হামেংগী মকোন শাবা মতমদা শেল ইচং চঙদনা শাবা ঙম্মী। হামেংসি অকংবা অমদি অশাবা মফমগা হেন্না চানৈ। মখোয়সি থম্বা মতমদা লৈমায়দগী খরা ৱাংখৎনা মিটর ১-১.৫গী চাংদা ৱাংখৎনা থম্বীবা য়াই। হামেংসি অয়াম্বনা মকোন মনুংদা পুল্লগা লোয়বা য়াওনদে। অয়ূক্তগী থাদোকপসিনা নুমিদাংৱাইরমদা মকোন্দা চঙলগা লৈবনিনা কা হেন্না শেল চঙবা মকোন শাবীদ্রগসু ৱানা ফোপ হারগা শাবীবা য়াই। মসিদা মথী-ময়ুং পূম্নমক লৈমায়দা তাহল্লগা নুংতিগী শিৎতোক্লগা লূ-নান্না থম্বীবা য়াই। হামেংগী মকোন শাবা মতমদা মকোনগী মায়ওনসি অয়ূক্কী নুংশা মরাং কায়না ফংবলোমদা মায় ওনশিনবীগনি। মসি নৎত্রগনা মতম পূম্নমক্তা নুংশা মঙাল ফংবা মফমদা ওইগনি। হামেংগী মথী-ময়ুং পূম্নমক মফম চাবা য়েংলগা হুন্দোকপীগনি। মসি নৎত্রগসু মনাক নকপদা কোম অমা তৌবীদুনা কম্পোষ্ট শেম্বীবা য়াই। হামেং লাবগী মকোনসি ২.৪ X ২.৮ স্কৱার মিটর ওইগনি। অদুগা হামেং অমোমগীনা ১.৮ স্কৱার মিটর ওইগনি। অতৈ অতোপ্পা শাগুম্না হামেংদি কয়া তূমদে, তূম্বা মতমদসু মকোক্লা মবুকলোমদা থল্লগা কুন্থরগা তূম্বা উগনি। মপূং মরৈ ফারবা হামেং ফাবা মতমদা য়ারিবমখৈ মচি অমদি মনাদা পায়বীরগা ফাবীগনি অদুগা হামেং মচা ওইরগনা মখোঙদা ওইনা পায়বীরগা ফাবীগনি।

মতম চানা অফবা মখলগী মচিঞ্জাক পীজ-পীথক তৌরগদি হামেংশিংসি ঙন্না হীট লাকই। হামেংশিংসি থা ১০-১৫ ফাওবগী মনুংদা হীট লাকই অদুবু লমদমসিদা লৈরিবা হামেং অয়াম্বদি থা ৮-১০ ফাওবগী মনুংদা কাংদোঙ ফাদুনা হীট লাকই। হীট লাকপা মতমদা মপানথোঙদগী ঈশিং তোয়না চৎপা, হামেংগী মমৈ ফেৎ ফেৎ হাইবা, মপানথোংগী শরুকসি পোমথোকপা, চানীং থক্লিংবা ৱাৎলকপা, মচুম তারকপা, থোইদোক হেন্দোক্লা তোয়না খোঙবা অমদি অমগী মথক্তা অমনা চোংখৎনবা হোৎনবা কয়া অসি উবা ফংই। মচা লৌবা মতমদা মশা মউ ফবা হামেং লাবা ওইনা শীজিন্নবীগনি। হামেং লাবসি অয়াম্বনা থা ১৫দা মপূং মরৈ ফাই। মরম অসিনা মচা লৌবীবা মতমদা চহী ২ মখায়গী মথক্তা লৈবা হামেং লাবদগী ওইনা মচা লৌবীগনি। হামেং অমোম মচা লৌবা মতমদা মাগী হীট লাকপা মতুং পুং ১০-১২ লৈরগা লৌবীবা য়াই অদুগা করিগুম্বা হীট লাক্লগা লৈরম্বা থেংনরগদি পুং ১০গী মতুংদা অমুক অনীশুবা ওইনা মচা লৌবীবা য়াই। হামেংগী হীট সাইকলসি নুমিৎ ১৮-২১নি। মচা লৌখ্রগা গর্ভ পুবগী মতমসি নুমিৎ ১৪৫-১৫০নি।

হামেংশিংসি চহী অমদা মচা অনীরক পোকই। অহানবদা জন্যুৱারীদগী এপ্রিল ফাওবগী মনুংদা অমা অদুগা অতোপ্পা অমনা সেপ্টেম্বরদগী নবেম্বর ফাওবা অমা। চহী হৌরকপদা অমদি অরোইবদা পোক্লিবা মচাশিংসিগী পর্ফোর্মেন্স য়েংবদা জন্যুৱারীদগী এপ্রিল ফাওবগী মনুংদা পোকপা হামেং মচানা হেল্লি। মসিগী খ্বাইদগী চাউবা মরমদি গর্ভ পুরিঙৈ মতমদদি শজিক মরাং কায়না ফংই। মফম অসিদা ফংলিবা হামেংশিং কা হেন্না চাওবা নত্তবনিনা অমদি মচা ওইবগী চাংচত্তা অহানবা চাবোকসি মচা অমা পোক্কল্লি অদুগা মতুংগী চাবোক্তনা অনী পোক্কল্লি। অহুম পোকপসু য়াওদবা নত্তে। হামেং মচা লৌখ্রবগী মতম খঙলগদি মচা পোক্লমদাইদা মপুনা তোয়না শেন্নবীগনি। হামেং মচা পোক্লমদাইদা নুংশা থীনা য়েংবগা লোয়ননা মকোনলোমদা চঙনবা হোৎনৈ। মচা পোকপা মতমদা মপুনা পোক্লিবা মচাদু অফবা অকংবা ফি অমনা তৈথোক্লগা খোইরিদু হকচাং মনুংলোমদগী ২-৩´´ থাদোক্লগা ককপীগনি। ককপা মতমদসু লংনা হান্না মায়কৈ অনীরোমদা কিবিরগা ময়ায়দা ককপীগনি অমদি মমাদগী খোল্লাং পীথক্লবা হোৎনবীগনি। ঙন্না খোল্লাং পীথকপীহৌরগদি হোর্মোনগী অহোংবা লাকপনা নাওফম থুনা তাবা ঙমগনি অমদি অতোপ্পা কোক্লক্কদৌরিবা মচাদু থুনা পোকপা ঙমগনি। মমাগী খোল্লাং মচাদা থুনা পীথকহৌবসিনা মচাদা ইম্যুনিটি হেনগৎহন্দুনা লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। হামেংশিংসি লম্মাংদা মশানা অপাম্বা মচিঞ্জাক চাজরগা মবুক থল্লি। মখোয়দা মফোনগী শরুক পীজবীবা কা হেন্না দরকার ওইদে। নোংমদা পুং ৮ মুক থাদোক্লগা মচিঞ্জাক চাজবসিনা মবুক থল্লি। করিগুম্বা নোং চুবা মতম থোক্লগদি হামেংনা মপান থোক্লগা মচিঞ্জাক চাবা ঙমদ্রগদি মনা মশিং, উ-ৱা, পাম্বীগী মসা ময়াম ককপীরগা য়ান্দুনা থম্বীরগা পীজবীবা য়াই।

হামেংশিং লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা লূ-নান্না থম্বীগনি। হামেংশিং লায়না অমা নারগদি মখোয়দু চানীং-থক্লিংবা ৱাৎকনি। শগুপ শাইরক্লোই, শ্বর ৱানা হোনবা উগনি। অসিগুম্বা মতমসিদা মপুনা নিংথিনা মতম চানা অখঙ অহৈগা তানরগা মতম চানা লায়েংবীহৌগনি। হামেংশিং মতম চানা মনাক নকপা ভেটিরিনরি হোস্পিটালদা মতম মতমগী ওইবা টিকা থাদোকপীগনি।

ঐখোয়গী লমদমসিদদি চীংগী শরুক্লা হেন্না লৈবা লম ওইবনা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা হমেং য়োকপগী শিনফমসি পায়খৎপীবা য়াই অমদি য়াম্নসু কান্নবা অমা ওইগনি। হায়নবা লৈ হামেংনা চীংদা থাদোক্লগা য়োক্লগদি লৈবাক লৈহাও চেন্থরকপগী চাং ৱাংই হায়না লৌনৈ। অদুবু লমদমসিদদি চীংগী শরুক অয়াম্বা পোৎ চৈ থাদুনা শীজিন্নবা নত্তবনিনা হীজিক ফাওবদি মসি থোরকপগী চাং অদুমক নেম্না লৈনরি। হামেং য়োকপসি হৌজিক্তি চীং নৎত্রগা তম্পাক্তা পাক চাউনা য়োকপসু অদুমক ময়ারে। হৌজিক্তি অশেম্বা হামেং কেজি অমদা লুপা ১০০০ পীখ্রবনিনা হামেং য়োকপদা চাউনা শেন্দোং লৈবা ঙমহল্লি। ময়াম্না য়াম্না পাম্না চানরিবা অমসু ওইহল্লি। হৌজিক্কী মতমগী নহারোলশিংনা থবক ফংদবগী অৱাবসি খরা মখৈদি কোক্লবা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা অমদি শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা পূন্না হামেং য়োকমিন্নরসি। ●